# DISCOVERY OF KANGLEIPAK
## (60)
## By Wangkhemcha Chingtamlen

12/01/2015

### পুয়া মৈ থাবা (চৈচৎ , নুমিৎ , কুম লেপ্পা )

পুয়া মৈ থাখিবা অসিগী চৈচৎ , অমসুং মতম লেপ্পা হায়বসি , পুয়া মৈ থাখিবা অসি পুন্না য়েংবা তারবদি , মতম অমখক লেপ্পনা শুকয়া য়ারোই। পুয়া মৈ থাবা হায়বসি পামহৈবা গরিবনিৱাজকী মতমদা , খৃ: গী চহীচা ১৮ শুবগী অহানবা তংখায়দা হৌই হায়বা অসিমা চুমলে । মসিমা চেনবা য়ারোই।

মথংদা হিন্দু মচাশিং অসিনা নিংথৌ হেক ওইখিবদগী ১৮ শুবা চহীচাগী অরোইবা মতম ফাওবদা পুয়া হনজিন হনজিন মৈ থাখি হায়বসি, কংলৈচা অশেংবা অমসুং হিন্দু ফাওবা পুমনমক শেংনা খংবা পোৎনি । মরম অসিনা ৱাকচীংদা থাখি , মেরাদা থাখি হায়দুনা , পংই ইনবা , হনজিন হনজিন লাউনবগী কান্নবা করিনো ?

ৱাফম অমনা চৈথারোল কুমবাবা অমসুং লাইরিক খরদগী চৈচৎ , কুম হনজিন হনজিন শিজিন্নবা ,খৃ: ১৭২৫ , ১৭২৯ , ১৭৩২ হায়দুনা পামহৈবগী মতমদগী হেনদোকতনাবা হোৎনবা মানবা , অতোপ্পা হিন্দু নিংথৌ কন্নবা হোৎনবা মানবা য়াওই । হৌজিক্কী চৈথারোল কুমবাবা অসিদি অইবা অসিনা ফোংখিবা A Short History of KANGLEIPAK (Manipur) Part I (2005) হিন্দুগী মতমদা শেমজিনখিবনি হায়বা উৎচখ্রবনি ।

পুয়া মৈ থাখিবা অসি খৃ: গী ১৮ শুবা চহীচা পুমবা চৎথখি হায়বসি মালেমগী অতোপ্পা কাংলুপ খরনা ফাওবা শেংনা খংনবা পোৎনি । খুদম ওইনা অমতং পল্লবদা , বেঙ্গলী অফাওবা অইবা সুনিতি কুমার চতরজি ফাওবনা মহাক্কী লাইরিক কিরাতা - জানা - করতিদা শেংনা ইরমই।

য়ামনা মরুওইবা ৱাফম অমনা , ১৮ শুবা চহীচাদগী ২০ শুবা চহীচা ফাওবসি , কংলৈপাক অসিদা পুয়া মৈ থাবা হিন্দু নিংথৌশিং অদুনা অমসুং মখোয়গী মচা মশুশিং অদুনা নিংথৌ ওইদুনা পানখ্রবনি । মরম অসিনা অশেংবা চৈচৎ , নুমিৎ , থা , কুম ফংবা ঙমলরোই । য়ামনা লানবা, হৌনদবা থবক তৌবনিনা , ইশিনদুনা মী খংনবা থমবা হৌনদে । পুয়া মৈ থাখিদে হায়বা ঙমবা মী ফাওবা য়াওখ্রবনি ।

লারৈ লাথুপকুমবা খরা নওনা হৌজিক ফংলিবা লাইরিকশিং অসিদি কোনুংগী অমসুং মখোয়গী তুংইনবা খরনা ফোংবা অয়ামবনি ।

অদুবু , হৌখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা শিবা কিদবা অমসুং তুংগী মচা মশুশিংবু নুংশিবা অসিনা মরম ওইদুনা , মখোয়না থমবিরমবা অইবা খুদোল খরনা ঐখোয়না ২১ শুবা চহীচাদা পুয়া থাবা হৌখিবগী মতমদি খংই , কন্নানা থাবা হৌবনো খংই ।

ঐখোয়না করমনা অমসুং করিবু খংই :-

ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক ৱাকোকলোন হীলেল খিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক কৌবা পুয়া অমা পাইরি । পুয়া অসি অঙোম চাওপা হায়বা পামহৈবগী court কী মায়চৌ অমনা পাইরমবনি । পুয়া পুমনমক মৈ থাজদৌরে হায়বা মহাকনা হান্না খংবদগী , পুয়া অসি মৈ থাদ্রিঙৈগী হেক মমাংদা মহাকনা লোন্না শিন্থোকহৌবনি । শিন্থোকপা পুয়া অসি মহাকনা শিবা কিদনা শিনদোক্লগা , শিবা কিদনা নোংচুপকী চীংশাংদা তাবা লোঙা কৌইরেংদা মহাকনা লোৎলমবনি । মহাকনা শিনদোক্লমবা পুয়া অদুনি ঐখোয়না পাইরিবসি । হান্নগী অশেংবা অদুদি মৈ থাখ্রে ।

ইপা অঙোম চাওপনা মহাকনা শিনদোকপগী ৱারোলদা ইরমলিবসি য়েংবিয়ু :-

"পুয়া অসি নিংথেম পামহৈপা হাকথকতা শিনথোকপনে লেপনা খঙপীও ।। পামহৈপা নিংথেম হাকথক ফাওপতা ¦ মলিয়াফম পালচা চৈহি কুমসিঙ লী চৈসিঙ চৈচৎ ৩১০৭ সুলাপনে ।। চৈহিকী কুমহৌ অহানবা নুমিৎতগী শিনথোকপা হৌপনা । নুমিৎ ১৫ নি চঙনা ৱাকচীংকী থানিনতা লোইয়ে ।। লাইলীক অসি মাঙপা য়াতাপনা ¦ চাওপা ঐনা শিনথোকহৌপনে ।। লাইলীক অসি ঈনুঙ ঈয়েক । খুনুঙ ঈয়েক । সুপলপা হৌফমকী পুয়ানে । লেপনা খঙপীও ।।০।।"

মথক্কী অসি ইপা চাউপনা শিন্থোক্লুমবা মতমদা , মহাকনা ইরমবা ৱাহৈশিং অদুমকনি । ঐখোয়না পাইরিবা পুয়া অসি ১৮ শুবা চহীচাদা শিন্থোকপনি হায়বসি , National Archives of India , New Delhi না চুমই হায়খ্রবনি ।

মথক্কী ইপা চাওপগী অইবা ৱারোন অসিদা অইবনা মখা লৈই চিংশিনজরিবা "চৈহিকী কুমহৌ অহানবা নুমিৎতগী শিনথোকপা হৌপনা। নুমিৎ ১৫ নি চঙনা ৱাকচীংকী থানিনতা লোইয়ে ।।" হায়রিবা ৱাফম অসি মুন্না পুকনিং চংনা পাখিু । মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা "ৱাকচীংকী থানিনতা" হায়রিবা অদু ৱাকচীংগী থাপুঙ (পুরনিমা) হায়বনি । মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসিদা হায়রিবসি "চহীগী অহৌবা নুমিৎতাকী শিন্থোকপা হৌবনা , ১৫ নি চংনা ৱাকচীংগী পুরনিমা নুমিৎতা লোই হায়বনি" মরম অসিনা পুয়া শিন্থোকপা অসি , ৱাকচীংগী নোংমা পানবদা শিন্থোকপা হৌরগা নুমিৎ ১৫ নি চংনা ৱাকচীংগী পুরনিমাদা লোই হায়বনি । মরম অসিনা ৱাকচীং থাদা শিন্থোকই হায়বা অসিমা শোয়দ্রে । লোইননা মথকতা ইপা চাওপনা শিন্থোকপদা ইরিবা অসিনা তাকলিবদি , পামহৈবগী মতমদা পুয়া মৈ থাবা হৌই হায়বনি ।

অদুগা য়ামনা শেংবা ইপা চাউপগী পুকনিংগী শিন্থোকপা মতম অসিদা উৎলিবা ফিভম অমনা , শিন্থোকপা অসি লোন্না , মী খংখিগদ্র হায়বগী অকিবা লৈনা , হাথু হাথু শিনবগী খুদম ফংই । ঐখোয়না পাইরিবা পুয়া অশিনবা অসিদা , শিনবদা চিৎথবা য়াওদুনা , কোন্না হাপচিনবা শেমবা খুদম কয়া য়াওরি । লোনচন (Spelling) গী মতাংদসু হাথু হাথু তৌবগী অরানবা য়াওরি ।

অচুমবা ৱাফম অমনা , পুয়া মৈ থাবসি পামহৈবগা , শান্তিদাস কা লোন্না লেপনরগা পাংথোকপনি । ইপা চাউপদি কোন্নংগী মায়চৌ ওইবদগী মহাকনা লোন্না খংবনি ।

মরম অসিনা ইপা চাউপনা পুয়া অসি শিন্থোক্লগা লোঙা কৌইরেংদা খৈদোকনবা হোৎনবসি শিবা অমসুং চঙবগী মরকতা , য়ামনা কিন্না, কয়াম থুনা থাগদৌরিবনো খনবগী পাখৎপগা লোইননা , পুয়া অসি লোন্না শিন্থোকপনি । অদুনা য়ামনা চুমই , লানফম থোকতে হায়বা খনফম থোকপা অমনা , ইপা চাওপনা পুয়া অসি শিন্থোকপা লোইবগা , নুমিৎ ৮ (নিপান) নি দং লৈরগা পুয়া মৈ থাবনি । ৱাকচীংগী ১৫ পানবা + নুমিৎ ৮ = ৱাকচীংগী ২৩ পানবা ।

**মরম অসিনা ৱাকচীংগী ২৩ পানবা অসিনা খৱাইদগী চুমবা পুয়া মৈ থাবা হৌখিবা নুমিৎনি , অইবগী মতুং ইন্না । খৃঃ ১৭২৯ দনি হায়বসি চপচানা থজবা য়াবা অইবা খুদম ফংদবনা চপচাবা চহীনি হায়বা ঙমদে ।**